# প্রেমজিৎনা অনৌ মেমোরিএল ষ্টেট চেছ টুর্নামেন্টকী মরিরকশুবা ওইনা টাইটল লৌখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২১ ঃ মণিপুর চেছ এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা ক্বাকৈথেল চেছ ক্লবনা শিন্দুনা ইম্ফাল কোলেজগী মল্টি পর্পজ হোলদা চথুরকখিবা ২৬ শুবা কে ঐচ অনৌ সিংহ মেমোরিএল ষ্টেট লেভেল চেছ টুর্নামেন্ট২০১৬ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা এস প্রেমজিৎনা মরিরক শুবা ওইনা টুর্নামেন্ট অসিগী টাইটল লৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি তরেৎশুবা রাউন্দ শান্নবা লোইখিবদা এস প্রেমজিৎনা (পোইন্ট ৬.৫) ফংদুনা টাইটল লৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা এস প্রেমজিৎনা হন্দক্কী অসি থারগা মরিরক শুবা ওইনা টাইটল লৌখি। মহাক্না কুমজা ১৯৯৪, ২০০৪ অমসুং ২০১৩ দা টাইটল লৌবা ঙমখি। লমদম অসিগী মশক নাইরবা শান্নরোয় এস প্রেমজিৎনা ঙসি মহাক্কী রাইভেল জেকিবু মুভ২৭ তা মায়থীবা পীদুনা চহীসিগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা টেবল অমদা টোপ সীদ সঞ্জয় (পোইন্ট ৫.৫) অমসুং সুরজকান্ত (পোইন্ট ৫.৫) অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা মেচ অদুগী ২৪ শুবা মুভতা দ্রো ওইবদগী পোইন্ট তঙ্খায় য়েন্নখি।

অতোপ্পা টেবল অমদা সোমোকান্তা (পোইন্ট ৫) না চক্রিতোম্বী (পোইন্ট ৬) দা সরেন্দর তৌখি। ওপন কেটাগোরি অমসুং চহী ১৫ গী কাঙলুপ অনী থোক্না খাইদোক্তুনা চথুরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ওপন কেটাগোরিদা পূন্না রাউন্দ তরেৎ অদুগা চহী ১৫ মখাগীদনা রাউন্দ মঙা শান্নখি।

ওপন কেটাগোরিদা এস প্রেমজিৎনা ৱিন্নর ওইদুনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ২৫ গী শেলগী মনা ফংখি। টুর্নামেন্ট অসিদা এ চক্রিতোম্বীনা অনীশুবা পোজিশন তাদুনা লুপা লিশীং ১৫ গী শেলগী মনা ফংখি। কে ঐচ সঞ্জয়না পোইন্ট ১০ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিশন, এল সেক্সপিয়রনা মরিশুবা পোজিশন তাদুনা লুপা লিশীং ৭ কী শেলগী মনা ফংখি। পি ঐচ সুরজকান্তনা মঙাশুবা পোজিশন তাদুনা লুপা লিশীং ৫ গী শেলগী মনা ফংখি। ঐচ জেকিনা তরুকশুবা পোজিশন তাদুনা লুপা লিশীং ৩ গী শেলগী মনা ফংখি।

টুর্নামেন্ট অসিদা চিত্তরঞ্জন তাওরেমনা ৭ শুবা, ঐচ সোমোকান্তনা ৮ শুবা, এল কোইরেংনা ৯ শুবা অদুগা ও নিংথেমনা তরাশুবা পোজিশন তাদুনা লুপা লিশিং ২/২ গী শেলগী মনা ফংখি। লোয়ননা টুর্নামেন্ট অসিদা এ ফোলেন্না ১১ শুবা, ঈ সসিকান্তনা ১২ শুবা অদুগা এস গোচানা ১৩ শুবা পোজিশন তাদুনা লুপা লিশিং ১/১ গী শেলগী মনা ফংখি।

অমরোমদা চহী ১৫ মখাগী কাঙলুপ্তা য়ুমখাইবম য়াইস্না দেবীনা পোইন্ট ৫ ফংদুনা ৱিন্নর ওইদুনা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ৩ গী শেলগী মনাফংখি। নুংশিথোই ঙাইরাংবম্না পোইন্ট ৪ ফংদুনা অনীশুবা পোজিশন তাদুনা লুপা লিশীং ২ গী শেলগী মনা ফংখি অদুগা নিংথৌজম রামেসনা পোইন্ট ৪ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিশন তাদুনা লুপা লিশিং ১ গী শেলগী মনা ফংখি।

চহী ১৫ মখাগী কাঙলুপ্তা টিদিম ষ্টিল এন্দ সিমেন্ট এৱার্দকী বেষ্ট প্রোমিজিং প্লেয়র কে সুরজনা তাখি। সেকেন্দ বেষ্ট প্রোমিজিং প্লেয়রনা কে গিৎচন্দ্রনা পোইন্ট ২ ফংদুনা তাখি। লাইশ্রম মোধুচন্দ্র ফেয়র প্লে এৱার্দনা কে ঐচ ওলেনা পোইন্ট ৪.৫ ফংদুনা তাখিবগা লোয়ননা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ২,৫০০ গী শেলগী মনা ফংখি। লাইশ্রম দোরেন্দ্রো এৱার্দ ফোর মোষ্ট প্রোমিজিং প্লেয়র ওফ দ টুর্নামেন্টনা কে জিবন্না তাখি। মহাক্না পোইন্ট ৩.৫ ফংখিবগা লোয়ননা ত্রোফি অমসুং লুপা লিশিং ২ গী শেলগী মনা পীখি।

ক্বাকৈথেল চেছ ক্লব এৱার্দ ফোর গার্লসতা আর কে তম্ফাস্না দেবী, কনোলিকা য়ুম্নাম অমসুং লনচেনবী মখোয় অহুমদা লুপা ৫০০/৫০০ গী শেলগী মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। মণিপুর চেছ এসোসিএশন এৱার্দ ফোর বেষ্ট ভেটরান হাওবম মনিতোন্না তাখি। কুমজা ১৯৪৯ দা পোকখিবা হাওবম মনিতোন্না টুর্নামেন্ট অসিদা ১৫ শুবা পোজিশন তাদুনা লুপা লিশিং ১ গী শেলগী মনা পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি লোইশিনবগী থৌরমদা এম এল এ আর কে আনন্দ, ক্বাকৈথেল চেছ ক্লবকী প্রসিদেন্ট এস রাসি অমসুং মণিপুর চেছ এসোসিএশনগী সেক্রেটরি টি ঐচ নবচন্দ্রনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াদুনা মনা য়েন্থোকখি।

# ফিলিপ বেকরগী ওলেম্পিক মেদল অমসুং নোবেল প্রাইজ









*ফিলিপ* গেইল বেকর মীওইবনা ফংঙমদ্রবা ওলেম্পিক্কী মেদল অমসুং নোবেল প্রাইজ অনীমক ফংবা ঙম্বা মলেমদা অমত্তা ঙাইরবা নিপানি। মহাক্না কুমজা ১৯১২ দা ষ্টোকহোমদা পাঙথোকখিবদা ওলেম্পিক গেমসতা শরুক য়াখিবদা মেদল অমত্তা ফংবা ঙমখিদে। মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও লোয়রবা মতুংদা কুমজা ১৯২০ দা অনর্তপ সহরদা পাঙথোকখিবা ওলেম্পিক গেমসতা ব্রিটিশ ত্রেক টিমগী কেপ্তেন ওইখিদুনা ব্রিটিশকী ফিরাল পায়দুনা চৎখি।

ওলেম্পিক অদুদা মহাক্না মিটর ১৫০০ দা শরুক য়াদুনা অনীশুবা পোজিসন ফংখি। অলবর্ট হিল কৌবা চহী ৩৬ শুরবা মালেমগী অহানবা লাঞ্জাওদা চহী মরি গ্রেট ব্রিটেনগীদমক লান শোক্লবদা মায় পাক্তুনা হল্লকপা লান্মী, হৌজিক রেলৱেজগী গার্দ অমা ওইরিবা অমনা লমজেল অদুদা মকোক ওইখি।

অহানবা লাঞ্জাওগী মতমদা মহাক্না ফ্রেন্দ এম্বুলেন্স য়ুনিট কৌবা অমা শেমদুনা ফ্রান্স, ইটালি অমসুং ইংলেন্দা চৎতুনা লান্দা অশোকপশিংবু লায়েংখি। মরম অদুনা লৈবাকশিং অসিগী মিলিটরি মেদল পীদুনা মহাকপু ইকায়খুম্নখি। লীগ ওফ নেসন শেম্বা মতমদা ব্রিটেনগী লোর্দ রোবার্ট সেসিল অমসুং ইরিক দ্রখোন্দগী এসিষ্টেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। মহাক অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা ব্রিটিশ পার্লিয়ামেন্টগী মেম্বর ওইরম্মী। মহাক্না পার্লিয়ামেন্টদা জর্মনিগী মথক্তা বোম থাদববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙাঙখি। অনীশুবা লাঞ্জাও লোইশিল্লকপদা য়ুনাইটেদ নেসন্স ওর্গেনাইজেসন শেম্বগী দ্রাফ্ট তৌবদা ব্রিটিশ দেলিগেসনগী মেম্বর অমা ওইনা (য়াওখি) শরুক য়াখি।

অনীশুবা লাঞ্জাও লোইরবা মতুংদা মপাঙ্গল কনবা লৈবাকশিংনা ন্যুক্লিয়রগী খুৎলাই পৈশিন্নদুনা অমগা অমগা লম্বা তৌননিংবগী থৌরাংশিং অদুগী মায়োক্তা মহাক্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অঙম্বা শক্তি শীজিন্নদুনা খুৎলাই থাদোক্নবা অকন্নবা খোঙজং চঙশিনবগীদমক্তা মহাকপু নোবেল পিছ প্রাইজ পীখি।

- *এল অজিৎ*

# এস দি এস লমদেং খুনৌনা অরুন ইন্টরপ্রাইজেস মায়থীবা পীদুনা রোয়েল কপকী ৱিন্নর ওইখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২১ ঃ

নোর্থ অচানবীগৈ দিভলপমেন্ট ওর্গেনাইজেশন (নাদো) না শিন্দুনা অচানবীগৈ অৱাংদা লৈবা নাদোগী প্লে গ্রাউন্দদা চথুরকখিবা অনীশুবা রোয়েল কপ ২০১৬ কী ৱিন্নর এস দি এস লমদেং খুনৌনা ওইখ্রে।

টিম ১২ না গ্রুপ ৪ দা শরুক য়াদুনা হৌখিবা তাং ৩০ দগী চথুরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এস দি এস লমদেং খুনৌনা অরুন ইন্টরপ্রাইজেস চীংমৈরোংবু গোল ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখ্রে। মায়থীহৌরবা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসনা রন্নর্স-অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অদুদা ৱিন্নর ওইখ্রবা এস দি এস লমদেং খুনৌগী নরেন্দ্রনা টোপ স্কোরর তাখি। মহাক্না টুর্নামেন্ট অসিদা পূন্না গোল ৪ চনখি। টিম অসিগী শান্নরোয় ঐচ নেপোলিয়ন্না মেন ওফ দ মেচ তাখি। অদুগা টিম অসিমক্কী গোল কিপর এন দিপক্না বেষ্ট গোলকিপরগী মনা ফংখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা এস দি এস লমদেং খুনৌ অমসুং অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবদা ৱানখি।

য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা এস দি এস লমদেং খুনৌগী শান্নরোয়শিংনা অঙনবা মতমদা গোল ওন্থোকখিবনা মেচ মায় পাকপগী অচৌবা মরম অমা ওইখি। এস দি এস লমদেং খুনৌগী শান্নরোয় ঐচ নেপোলিয়ন্না মেচকী ১২ শুবা মিনিটতা গোল একাউন্ট হংদোক্তুনা টিমগী মায় পাকপগী লম্বী শেম্বা হৌখি। গোল শোথরিবা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনখি অদুবু গোল মাঙজিল থারিবা এস দি এস লমদেং খুনৌগী নরেন্দ্রনা মেচকী ৪১ শুবা মিনিটতা টিমগী অনীশুবা গোল চনশিন্দুনা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী শান্নরোয়শিংদা অকনবা প্রেসর পীখি।

গোল শোথরিবা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসকী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবগীদমক থৌনা হনবা লৈতনা শান্নরকপগী মহয়না মেচকী ৬৭ শুবা মিনিটতা এল থোমাসনা গোল অমা হন্দোকপা ঙমখি। অদুবু মখা তানা অরুন ইন্টরপ্রাইজেসনা গোল চনবা ঙমখিদবা মরম্না এস দি এস লমদেং খুনৌগী মখূৎতা গোল ১-২ দা মায়থীখি।

# ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী কোচ খন্নবগীদমক অনিল কুম্বলে, রবি ছাষ্ট্রি অমসুং পটিলগী ইন্টরভিয়ু লৌগদৌরি



ন্যু দেল্লি, জুন ২১ ঃ

ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী হৌজিক হাংদুনা লৈরিবা চীফ কোচকী ফম মেনশিন্নবগীদমক বোর্দ ওফ কন্ট্রোল ফোর ক্রিকেট ইন ইন্দিয়া (বি সি সি আই) না তোঙান তোঙানবা মতিক চারবা মীওই ৫৭ কী মনুংদা মীওই ২১ খনগৎখ্রবগী তুং কোচ কনানা ওইগদগে হায়বা ঙসি নোংমা নীনিসিদা খঙবা ঙল্লগনি।

ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমদা য়াওরম্বা মশক নাইরবা শান্নরোয় কয়া য়াওনা ইন্দিয়ন টিমগী কোচ ওইনবগীদমক চে পীশিল্লকখিবগী মনুংদা রবি শাষ্ট্রি, অনিল কুম্বলে, সন্দিপ পটিল, রাজপুট অমসুং অমিরনচিংবা য়াওরি। মশক নাইরবা শান্নরোয়শিং অসিগী ইন্টরভিয়ু হয়েং লৌরগনি হায়রি।

ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমগী কোচকী ফম মেনশিন্নবগীদমক বি সি সি আইগী এদভাইজরি কম্মিটিদা য়াওরিবা সৌরব গঙ্গুলি, ভি ভি এস লক্ষ্মন অমসুং সচিন টেন্দুলকরনা কেন্দিদেট ২১ অদুগী ইন্টরভিয়ু হয়েংদগী লৌবা হৌরগনি।

নীংশিংবা য়াই, সচিন টেন্দুলকর হৌজিক লন্দন্দা লৈখিবা মরম্না মহাক্না ইন্টরভিয়ু অসি ওনলাইন্দা লৌগদৌরি। ইন্টরভিয়ু অসিদা ইন্দিয়াগী মমীং লৈরবা মীওইশিংনা হয়েংগী ইন্টরভিয়ু অসিদা য়াওগদৌরি।

হয়েংগী ইন্টরভিয়ু অসিদা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বিক্রম রাথোর, রবিন অমরে, বরৱিন্দর সন্ধু অমসুং ভেঙ্কটেজ প্রসাদসু য়াওগদৌরি।

বি সি সি আইগী এদভাইজরি কম্মিটি অসিনা মতিক চারবা মীওই খনগৎতুনা ইন্দিয়ন টিমগী কোচ ওইবা য়ারগনি হায়বগী চে হয়েং ফাওবগী মনুংদা পীশিন্দুনা ধর্ম্মসলাদা জুন ২৪ দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা ইন্দিয়ন টিমগী কোচ লাউথোক্কদৌরি।

হায়রিবা কেন্দিদেট ২১ অসিগী মনুংদা মতিক চারবা কোচ ওইগদৌরিবা অমা অথুবা মতমদা খন্দুনা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমবু খুদক্তা পায়হন্দুনা মথং থাদা ৱেষ্ট ইন্দিজ টুর নংনবা বি সি সি আইনা য়াম্না কন্না হোৎনরিবনি।

# প্রো কবাদ্দি লীগ সিজন ফোর জুন ২৫ দগী হৌরগনি

ন্যু দেল্লি, জুন ২১ ঃ

প্রো কবাদ্দি লীগকী মরিশুবা সিজন জুন ২৫ দগী মুম্বাইদা পুনেরি পলটান অমসুং টেলিগু টাইটান অনীগী মরক্তা শান্নদুনা হৌরগনি।

পুনেরি পলটান অমসুং টেলিগু টাইটান অনীগী ওপনিং মেচ অসিগী হেক মথংদা হান্নগী চেম্পিয়ন য়ু মুম্বা অমদি লীগ অসিগী অহানবা চেম্পিয়ন ওইখিবা জয়পুর পিঙ্ক পেন্থরগা শান্নরগনি। লাক্কদৌরিবা সিজন অসিগীদমক্তগী তোঙান তোঙানবা টিমশিংনা প্রিপরেটোরি কেম্পশিং পাঙথোক্তুনা অকনবা মওংদা প্রেক্টিশ তৌনরি।

থা ২৪ অসিগী মনুংদা হন্দক্কী অসিনা লীগ অসিগী মরিশুবা সিজন ওইগদৌরিবনি। হন্দক্কী লীগ অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক ১২ দগী লাকপা ইন্টরনেসনল প্লেয়র ২৪ না শরুক য়াগনি।

# বেদমিন্টনগী কোচেস এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম

ইম্ফাল, জুন ২১ ঃ

মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিএশন্না য়ূম্বু ওইদুনা কোচেস এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম (লেভেল ৱান) পাঙথোক্লগনি হায়না এম বি এগী সেক্রেটরি ইন চার্জ ঐচ সঞ্জিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

কোচেস এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম (লেভেল ৱান) অসি বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেশন (বি দব্লিয়ু এফ) কী কোচেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোক্কদবনি। প্রোগ্রাম অসি বেদমিন্টন এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়াগা খূৎশম্নদুনা মণিপুর বেদমিন্টন এসোসিশন্না শীন্দুনা পাঙথোক্কনি।

কোচেস এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম অসিগীদমক্তা বেদমিন্টন ৱর্ল্ড ফেদরেশনগী সার্টিফাই কোচেসশিংনা রিছোর্স পার্সন ওইগনি।

মণিপুরদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা কোচেস এদ্যুকেসন প্রোগ্রাম (লেভেল ৱান) অসিদা শরুক য়ানিংবা বেদমিন্টনকী কোচশিংনা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা মণিপুর বেদমিন্টন ওফিসতা চে পীশিল্লকপা য়াগনি। লোয়ননা মশাগী চহী ৩০ দগী ৪৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা বেদমিন্টনগী এন আই এস দিপ্লোমা পায়রবা, পি জি টি দিপ্লোমা অমদি ষ্টেট অমদি য়ুনিভর্সিটি লেভেলদা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং ওইগদবনি হায়রি।

# নেসনল হোকি একাদেমিদা লৈনবা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইএলগীদমক মণিপুরদগী শান্নরোয় মঙা খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২১ ঃ ন্যু দেল্লিগী মেজর ধ্যান চান্দ নেসনল ষ্টেদিয়মদা লৈবা নেসনল হোকি একাদেমিদা লৈনবগীদমক পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইএলদা শরুক য়ানবগীদমক মণিপুরদগী শান্নরোয় মঙা খনখ্রে।

মণিপুর হোকিনা শীন্দুনা হন্দক্তা খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা সব জুনিয়র নেসনল হোকি চেম্পিয়নশিপ্তগী মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা পীখিবা পার্ফোমেন্সকী মতুং ইন্না হোকি ইন্দিয়াগী নেসনল সেলেক্টরশিংনা ত্রাইএলদা য়াওননবগীদমক মণিপুরদগী শান্নরোয় মঙা অসি খল্লকখিবনি।

শান্নরোয় মঙা অদুদি দিফেন্দরদা দিনচন্দ্র মোইরাংথেম, মিদফিল্ডরদা রবিচন্দ্র মোইরাংথেম, ফোরৱার্দতা কোঞ্জেংবম ইবুংঙো, ক্ষেত্রিময়ূম দোলর অমসুং নিঙোম্বম জেনজেননি।

জুলাই ৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ত্রাইএল অসিদা শরুক য়ানবগীদমক খল্লবা মণিপুরগী শান্নরোয় মঙা অসিনা ন্যু দেল্লিদা লৈবা ইন্দিরা গান্ধী স্পোর্টস কমপ্লেক্সকী স্পোর্টস হোষ্টেলদা রিপোর্ট তৌগদবনি।

ত্রাইএল অসিদা য়াওগদবা শান্নরোয়শিংনা জুলাই ৩ দগী ৮ ফাওবগী মখোয়গী লৈফম চাফমশিং লেম্না পীগনি। লোয়ননা চৎথোক চৎশিন্দা চঙখিবা ভারাগী শেনফমসু রিএম্বর্স তৌগনি হায়রি। শান্নরোয়শিংগী মেদিকেল চেক-অপ ইন্দিরা গান্ধী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা জুলাই ৪ অমসুং ৫ দা পাঙথোক্কনি। ত্রাইএলনা জুলাই ৬ তগী ৮ ফাওবা মেজর ধ্যান চান্দ নেসনল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কনি। একাদেমি অসিদা লৈনবগীদমক খল্লবা শান্নরোয়শিংনা মতমগা চুনরবা ত্রেনিং পীদুনা ইন্টরনেসনল কম্পিটিশনগীদমক্তা শেম শাগনি হায়রি।

